‘বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংগী ষ্ট্রাইক শৌগৎলি’

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটশিংগী য়াকা য়েংদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংবু প্রাইভেটাইজ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলিবা থৌশীল অসি ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী)না মায়োক্নদুনা লাক্লি হায়না এ আই টি য়ু সী, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, থা অসিগী ১৫ অমদি ১৬তা লৈবাক শীনবা থুংনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা বেঙ্কশিং লন্নাইদা য়োন্থোক্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবা অসিগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন মণিপুরনা মসিগী শরুক অমা ওইনা ষ্ট্রাইক চথ্খগদৌরিবা অসি ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুরনা মপূং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

মমাঙদা মথৌ নীংথিনা তৌজরিবা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা বেঙ্ক খরা পুনশিলহনখ্রে। মদুদা পেল্লক্ত্রদুনা বেঙ্কশিং মথং মথং লন্নাইদা য়োন্থোক্নবা থৌরাং তৌরক্লিবসি য়াম্না মথোং হুক্ত্রবা লৈঙাক্কী থৌশীলনি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা লৌই। ইনাক খুনবা শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটর খরগী খুবামনুংদা লৈবাক অসিগী লন-থুম শিন্নথোক্নবা থৌরাং লেপ্পা লৈতনা তৌরকপা অসিনা মীচম মীয়াম অমদি শিন্মী কয়া অৱাফমদা তাহনগদৌরি। মসিগী মথক্তা লেবর লো মথং মথং শেমদোক্লকপনা ইমপ্লোয়রশিংগী তৌবা ঙম্বা পাঙ্গল হাপকৎখ্রে । মসিগী মথক্তা লেবর লো মথং মথং শেমদোক্লকপনা ইমপ্লোয়রশিংগী তৌবা ঙম্বা পাঙ্গল হাপকৎখ্রে। অদুগা ইমপ্লোয়ীশিংগী হক্তি নীংথিনা পীদ্রে। মসিদা লৈঙাক্না শিন্মীশিংগী হক করম্না ঙাক শেনগদৌরিবনো হায়রি।

অমরোমদা, লাইফ ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগুম্বা লৈঙাক্কী মখাদা লৈজবা ইন্সুরেন্স কম্পেনিবু এফ দি আইগী চাংদা চাদা ৪৯ য়োন্থোকখ্রবা মতুংদা অমুক চাদা ৭৪ য়ৌনা য়োন্থোক্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবা হায়বসি পব্লিক্ সেক্টর অন্দর টেকিংশিং অসি পুম্মুৎ মুখৎলগা লন্নাইদা শিন্নথোকখ্রগে খনবনি। চহী খরগী মমাঙদা অমেরিকা য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়া ইনফ্লেটেসন থোক্তুনা শেল-থুমগী ফিভমদা শাথিনা শোকহনখিবদু লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং ইন্সুরেন্স কম্পনিশিং, বেঙ্কশিং লৈজবা ইন্দিয়া অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টিনা লৈঙাকপা লৈবাকশিংদা থোইনা শোকহনখিদে। অমেরিকা মশাগী লন্নাই বেঙ্ক কয়া থোঙ লোনখিবদগী শিন্মী কয়া খূৎ থাখি। মসি খঙনা লৈঙাক্না বেঙ্কশিং প্রাইভেটাইজ তৌবা য়ারোই অমসুং ইন্সুরেন্স কম্পনি, লন্নাইদা মখা তানা সিয়ার য়োন্থোকপা য়ারোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

অহুম্লকশুবা ‘অখাঙ কনবি মৈতৈ চনু এৱার্দ’ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

ৱিমেন অগেনষ্ট ক্রাইম অমদি চৈথেঙ ৱেব সেরিজনা শিনবা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ‘অখাঙ কনবি মৈতৈ চনু এৱার্দ’ চহী অসিগী ওইনা মার্চ ১৬তা ওর্গনাইজেসন অসিগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা ওফিসকী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱিমেন অগেনষ্ট ক্রাইমগী এদভাইজর এস সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিঙ ১০, শাল অমা অমদি সাইটেসন অমা য়াওরি। এৱার্দ অসি লমদম অসিদা থোকখিবা রেপকী থৌদোকশিংদা শারমচৎ চৎপিখ্রবি, মরাইবক থিহনবিরবী নুপীমচাশিংদা লান্থোকপনি। অসিগুম্লবা থৌদোক নংলবা ইমুংশিংদা ৱাখল থৌনা হাপ্পা ওইনা, লাইরিক লাইশু কন্না হোৎনদুনা, মী অমা ওইনবা, থৌনা লৈনা হিংবা ঙম্নবগীদমক লান্থোকপনি। মমাঙদা অসিগুম্লবি নুপী মচা ১৬তা এৱার্দ লান্থোকখ্রে। হন্দক চহীগী ওইনা নুপীমচা ৬তা এৱার্দ অসি পীগনি।

থৌরম অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিনা থখাই খুদিংগী পুথোকপা য়ু ট্যুব চেনেল, ৱেব সেরিজ ‘চৈথেঙ’গী ৯শুবা এপিশোদ ‘চহীসিগী য়াউশঙ থাবলসিনা’ হায়বসিসু রিলিজ তৌগনি। য়াউশঙ থাবলদা নুপীগী ওইবা ক্রাইম কয়া থোরকপনা ইনখৎলক্লিবা লৈশাবি-পাখঙশিংনা চেকশিন্না, মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু চেকশিন্না অমদি ক্রাইম থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মীয়ামদা পাউজেল পীবা ফিল্ম অমনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণিং বোদিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

অরানবা মওংদা খনখিবা খুন্দ্রাকপমগী নাওরেম বিরহরি কোলেজগী গভর্ণিং বোদিগী মেম্বরশিং কোলেজদা চঙবা য়ারোইহায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

কোলেজ গেট মমাঙদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা ৱাইতোন টু খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায় এন এ সী ক্লব অমদি খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকায় চাওখৎ নুপী লুপকী মেম্বরশিংনা অরানবা মওংদা গভর্ণিং বোদিগী মেম্বরশিং খনখিবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকায় চাওখৎ নুপী লুপকী সেক্রেটরি সোরাম ওংবী ইবেমুনা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী কোলেজ অসিগী থবক থৌরমশিংদা তংদু-লৈতাদবা ফিভম অমা লৈরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং ক্লাস তৌবা য়াদনা লৈরক্লি। তুংগী য়ূন্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু নীংথিনা ক্লাস তৌহন্নবগী ৱখল্লোন্দা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বনি। অথুবা মতমদা কাঙলোন চুম্না গভর্ণিং বোদি শেমদুনা কোলেজগী থবক থৌরমশিং খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনগদবনি।

হৌজিক থোক্লিবা কোলেজ মনুংগী ৱাথোক অসিদা মপানগী অতোপ্পা মীওই অমত্তনা খূৎ থিংজিনবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE

FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021

OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM

COUNT IF YOU CAN ....

ARTS

SCIENCE

3RD Post '20 PH. FIROJH.
7TH Post '20 TH. OBINKUMAR
8th Post.'20 N. PARITON
8th Post.'20 N. PARIHAN
10th Post.'20 S. SANATHOI
5th Post '19 SHARMELI
5TH Post '19 H. BEBON
8th Post. '19 L.INTHOINGAMBI
10th Post. '19 L. BRINDASHI
19TH Post '20 ELIA NEPRAM
19TH Post'20 R.K. NEVITA
2th Post'19 ASEM SOPHIA
7th Post'19 W. NINGTHEM
4TH Post '19 ROBINSON
6TH Post '19 SHAH MINHAZ
8th Post.'19 ANJU ANAND
9th Post.'19 THOUNGAMBA
16th Post.'19 SAMANANDA
7th Post'19 W. SANAMATUM
8TH Post'19 U. ADHITYA
15th Post.'19 REHAN YUMNAM
22th Post.'19 R OSHAN KH.
23th Post'19 RICKY KHAIDEM
23TH Post'19 SOIBAM DIANA
24th Post.'19 L. AMJINGBA
S. NEHA CBSE—95%

MANY MORE TOP-PRS

RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY

⟶ QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM

⟶ TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM

TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'

★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.

SPECIAL REVISION COURSE FOR 2021

FOR QUARY : 9862992105

CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 22nd & 25th FEB.

CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22nd & 25th FEB.

CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 4th & 8th MARCH

CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 4th & 8th MARCH

★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX– ACIAN STUDENTS.

★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING

★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021

★ SEATS ARE LITED FIRST COME FIRST SERVE

FOUNDATION COURSE FOR CLASS 6 TO 9 IS GOING ON

LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute

NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/6807/23/2-25/3

লুখোসৈ ঝৌ থাদোকখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৮-গী জুনদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা চান্দেলগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল (এ দি সী)গী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ ঝৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোকখিবগী থৌওং য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অয়ূক পূং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সঞ্জেনবমদা কাদা অমসুং সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লুপনা খূৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা হায়খি মদুদি, লুখোসৈ ঝৌগী কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্না অৱাংবা থাক্কী কোর্টতা আপীল তৌদুনা নৌনা অমুক থীগৎহল্লগা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক ফংহনবা মথৌ তাই। দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং চৈরাক পীরোইদবা লৈরবদি ‘ৱার ওন দ্রগস’ চথরুবগী মথৌ তাদ্রে। লৈঙাক্কী থৌওং অসিদি দ্রগ লল্লোনবশিং নাকোয়ননা পূক্লিং থৌগৎলগা মীয়াম্বু অপংবা শীবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে।

মহাক্না হায়খি, ফৌদেলগী দ্রগ কেস হায়রগা খঙনবা লুপা ক্রোর ৪০০রোমগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোকখিবা হায়বসি মীয়াম্না য়ানীংদে। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং মরাল লৈতে হায়না থাদোকখ্রগা দ্রাইভর অমগা হেল্পর অমগদা দ্রগকী মপুনি হায়না মরাল থংজিনবা থাজনিংঙাই ওইদে। থৌওং অসিবু থিঙেলদা তায়নবা ঙমদ্রগা নাসিখোঙদা তায়নবা হায়বা অহল লমনশিংগী পাউরৌ অদুমক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম লোইশিল্লকপদা ‘লুখোসৈ ঝৌ থাদোকপা য়ানীংদে’, ‘দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু’ অমসুং ‘ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহনগনু’ হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউখি।

অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু উ চারা থাবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

মীয়ামগীদমক খনবা লৈঙাক লৈরকপা চহী ৪ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা উ চারা থাবগী থৌরম হৌদোকখ্রে।

চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমদি সব-দিভিজনল ওফিসরশিং শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এ দি সী সীগী ষ্টাফশিংনা মেরি কোম রিং রোদ পরিংদা উ চারা কয়া থাখি। মিনি সেক্রেটরিএট কেম্পসতনা দি সী ওফিসকী ষ্টাফশিংনা উ চারাশিং থাখি।

সেনাপতিগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীল্লগা এস কে এ বি য়ু প্রেয়র সেন্টর মনাক্কী তাফৌ নাগাদা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখি।

থৌবাল, ফেরজোল, চান্দেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তসু উ চারা থাবগী থৌরম হৌদোকখ্রে। থৌবালদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোরেষ্ট ওফিসকা খূৎশম্নদুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর এন বন্দনাগী মীৎয়েংখাদা থৌরম অসি পাঙথোকখি। ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লক্তুনা মহৌশাগী কায়থরকপগী থৌওং কন্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি।

নেসনল এৱার্দ পিরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমিগী দিরেক্টর শল্লাইরবা মুতুম উপেন্দ্রোদা আর্ট এন্দ কলচরদা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা তৌখিবা থবকশিংবু শক খঙবিদুনা ডা. অম্বেদকর নেসনল ফেলোশিপ এৱার্দ ২০২১ পিরক্লে হায়না গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নেলসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, একাদেমি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অহুম য়েংখোম শান্তিকুমারদা থাং-তা ট্রেদিসনল মণিপুর মীতৈ মার্সিএল আর্টস; মুতুম নেলসনদা রিএলিষ্টিক পেন্টিং অমদি মুতুম নিতিশতনা রিএলিষ্টিক পেন্টিংদা ডা. অম্বেদকর নেসনল ফেলোশিপ এৱার্দ ২০২১ পিরক্লে হায়রি। এৱার্দশিং অসি ফংলকপদা একাদেমি অসিগী চীফ এদভাইজর ডা. আর কে শরতচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা একাদেমি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর, মেম্বর, ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা হরাওনুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখ্রে হায়রি।

লৈঙাক পায়রিবনি হায়দুনা ট্রাফিক জাম থোকহনবা চুমদে: সী পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা কুমওন পাঙথোকপদা শেল কয়া থাদবগী মওং অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইবা কংলা পার্ককী লম্বী অসিদা গেটনচিংবা কয়া শাদুনা মেইন রোদ অসিবু ট্রাফিক জাম থোকহনবা হায়বসি চুমদে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)গী এম এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জয়কুমার লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, এদভর্টিজমেন্ট তৌনিংলিবনি হায়দুনা মীয়ামদা অকায়বা পীগদবা থবক থৌশীল শীনবা অসি পুৱারীদা হেক হেক থোক্তবদি নত্তে। অদুবু এদভর্টিজমেন্ট অদুনা হেক্তা মীয়ামদা নুংশিবা ফাওবা, ভোট পীনিংবা ফাওগদবা নত্তে। মমাঙগী লৈঙাক কয়ানসু এদভর্টিজমেন্ট হেনমনবদগী মীয়াম্না পাড়া তন্বীবসু য়াওখ্রে। বাজপায়ীগী মতমদসু এদভর্টিজমেন্টনা ৱাই চাইরম্বা মীয়াম্না খঙনখ্রে হায়রি।

হন্দক্তা থা অমা অনীগী মমাঙদা সেন্টরগী নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী মপোক পালন তৌবগী নেসন অসিগী রিপব্লিক ডেদগী হেন্না চাওনা পালন তৌখ্রে। অদুবু মদু পূন্বা মীচম মীয়ামদি তাশোন্না থিনবা শক্তমগী থৌওং ঙাক্তনি। লায়রবশিংদা হৈক্রু মনাদা য়োন্বা শেনফম থাদে। অদুগা ’সিগুম্বা এদভর্টিজমেন্টনা খূৎচাও থারি। ঐখোয়না হঙ্গৎনা অমুক্তা য়েংসি, চহী মরিগী লৈঙাক্তা হেক্টর ২৩,০০০ রোমদা উ থাখ্রে হায়বসি মীয়াম্না অমুক্তা হৌব্রা য়েংবীয়ু। ফোরেষ্টকী গেষ্ট হাওস শাবা অমদি ফোরেষ্ট বিদ শারবসু লৈঙাক্কী আই কয়াম কারক্লবগে, কায়থোকখিবদি ক্রোর লিশিং লিশিংনি, হঞ্জিল্লক্তবখক্তনি হায়রি।

কঞ্জর্ভেসন অমসুং রিজর্ভ ফোরেষ্টকী মফমশিং লাউথোকখিবগী পালন্দি তৌগদৌরি। অদুবু হন্দক প্রেস মিদিয়াশিংনা থিজিনবা চৎপদা মওং তানা লৈরমদবা অমদি লন্নাই মীওইশিংনা খোপচিল্লম্বগী পাউনা মশীং হেল্লি। চাওনা চাওনা উৎলিবশিং অসি তশেংনা ফিজিকেলি মায় পাক্লবরা হায়বসু য়েংগদবনি।

গভর্ণমেন্টনা তৌরবদি হেক্তা য়ারে, ফিরাল থেৎতুনা হরাওবা ফোঙদোকপা য়াই অদুবু অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অমা অনীদং থেৎলুরবদি ফাগে, পূনগে হেক্তা হায়রক্কনি হায়রি।

চান্দিগড় টাওন নাল্লি, ফজে হায়রিবসি পাল্লিবা গভর্ণমেন্টনা ফিরাল ১০দগী হেন্না থেৎপা য়াদে, হোল্ডিংসু পাক-চাওনা থেৎপা য়াদে। গভর্ণমেন্ট মশানসু মশানা শেন্বা লো অদু ইন্নে। অদুবু মণিপুরগীদি কদায় ষ্টেটসিগী আইন অসি গভর্ণমেন্টকীদি লৈতবগুম্মী। ওপোজিসন পার্টি অমদি লায়রবা মীয়ামদা খক নমথগদবা আইন ওইবসি মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিল, সী পি আইনা য়াবা ঙল্লোই হায়রি।

ৱর্ল্ড কিদনি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা ‘ৱর্ল্ড কিদনি দে ২০২১’গী থৌরম ঙসি এন আর মীদিয়ানা শিন্দুনা মোইদাংপোকতা লৈবা এন আর মীদিয়াগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না এন আর মীদিয়াগী প্রোপাইটর এন আর রাজেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস ৱেলফ্যের এসোসিয়সনগী মীদিয়া এদভাইজর ফানজৌবম লনজিৎ, এন আর মীদিয়াগী প্রোপাইটর এন আর রাজেস অমদি অবুং নিংথৌজমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা পিঐচ লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা এন আর মীদিয়ানা শিন্দুনা ৱর্ল্ড কিদনি দেগী থৌরম পাঙথোরকপা মরম চাই। হৌজিক মণিপুরগী ওইনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী চাং অসি ৱাংখৎলক্লিবা অসি অফবা খুদম অমদি নত্তে। এসোসিএসনদা রেজিষ্টার তৌরবা মেম্বর অসি অয়াম্বনা লৈত-লায়রবনা অয়াম্বনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগীসু মণিপুর লৈঙাকতা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টশিংগীদমক ফ্রি দ্রগস পোলিসি চৎনহনবিয়ু হায়দুনা লাকখিবদু অথুবদা চৎনহনবিয়ু। কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবা হোৎনবদা মশাগী লৈজরম্বা লৌ-ইঙ্খোল ফাওবা য়োনথোক্তুনা লায়েংলবা তুংদা থা-থাগী হীদাক চানবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা অৱাবশিং অসি লৈঙাক্না উবিদুনা অথুবদা ফ্রি দ্রগ পোলিসি অসি চৎনহনবিয়ু হায়খি।

থৌরমগী মখা তারকপদা এন আর রাজেসনা হায়, ঐখোয় মীওইবনা নারক্লবা মতমদা চেকশিন থৌরাং লৌই, নাদ্রিঙৈদা ঐখোয় চাংনাইনা শাজেল তৌদুনা অফবা চিঞ্জাক চাদুনা তিনজং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক হোৎনমিন্নসি। কিদনিগী মরুওইবা অমদি নারক্লবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াশিং অদু খঙমিন্নবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO

➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6777/10/2-16/3 (alt)

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

তঙাইফদবা অমগীদমক অথুবগী ওইনা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। পাক চাওবা 63 ft. পাকপা 129 ft. শাংবা শেঙ্গাউগী শেপনি। কোইলা রোদকসু নক্নরবা লম্বী লমদাং য়াম্না নুংঙাইবা মফমনি। তেরা বজারগা য়াম্না লাপ্নদ্রে।

Please Contact :

# 6009021717 / 8787426236

HL-P/9256/10,11,12

ꯄꯥꯝꯖꯩ / HELPER নুপী অমা পামজৈ

দেল্লীদা লৈগদবা নুপী হেল্পর অমা অথুবদা পামজৈ। চহী ৩০দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবী ওইগদবনি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Contact : 9811630757

8837276734

HL-P/9281/12,13,14

ꯄꯥꯝꯖꯩ / মৈতৈ পুজারি অমা পামজৈ

মৈতৈ পুজারি (ফু হৌবা) অমা অথুবগী পামজৈ, থাগী তোলোপ য়ামদ্রবদা লুপা ১৫,০০০/- ওইগনি অমদি অহেনবা ওইনসু থবক্কী মতুং ইন্না পীজগনি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Contact : 8837085879

Top Awang Leikai Pong Lambi

HL-P/9277/12

ꯃꯥꯡ / VEHICLE LOST

I have lost my two wheeler vehicle Hero Destini 125 (VX) of Noble Red Colour, bearing Registration no. MN06SC 7941, Engine no. JF17EJKGA117 and Chassis no. MBLJFW056KGA08313. Vehicle was parked at Singjamei Mayengbam Leikai infront of ICICI Bank along NH-102 under proper lock and key, but it was found stolen by unknown persons.

I, therefore, request to the General Public kindly help to trace out my stolen vehicle. If anybody found it please inform the same to the undersigned.

Sd/- **Chingakham Kiran Singh**
Andro Khunou Leikai, # 8119919122

HL-P/7084/12

ꯃꯥꯡ / I D CARD LOST

I have lost my Original I D Card of Department of Horticulture and Soil Conservation of Government of Manipur. Bearing I D Card No.- 019, issued by Government of Manipur on the way between Kongba Bazar and Irilbung on 2nd March 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Moirangthem Priyokumar Singh**
Bamonkampu Makha Leikai
8131944524

HL-P/9276/12

ꯃꯥꯡ / PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book under PPO No. 111914758 issued by the Account Officer (Pension) office of the Principal Accountant General (A&E), Manipur, Imphal on the way between Palace Compound and Treasury Office, Imphal West on 10/02/2021 but the same has not been traced out as yet from my best effort. Finders are requested to contact the undersigned.

Sd/- **Haobijam Ibeyaima Devi**
W/o. (Late) Haobijam Khunjao Singh,
resident of Palace Compound Macha Leima Leirak
P.O. & P.S. Porompat, District-Imphal East, Manipur
Mobile No. : 8730943420

HL-P/7085/12

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/এলাংবম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ১৪/০৩/২০২১ ইং, লমতাগী নোংমা পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা ইবুধৌ চিংজেং নারল পাঙ্গনবগী চহীগী চাক্লোন কৎপগী থৌরম পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবীরিবা নুংশিজরবা শাগৈতা মীপুম খুদিংমক্না ইবুধৌগী চহীগী চাক্লোন কৎপগী থৌরম অসিবু শোয়দনা য়াওবীনবা অমদি মপুং ফাহনবীনবা নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

শেনখায় : লুপা ৩০০/-

পাউজেঞ্জরিবা : **এলাংবম শাগৈ কম্মিটি**
কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়, ইম্ফাল
Mobile No. : 9784069520/8794069520

HL-P/9272/12

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

National Highway main road কা নক্নুনা লৈরবা কোইলা রোদকা হেক তাইনবা পোইন্ট ১০ চাওবা রেক্টেঙ্গল শেপ ওইবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি।

Please Contact :

# 8794666382 / 8787426236

HL-P/9256/10,11,12

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

অসিনা মরম ওইদুনা ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর State তা Affiliation তৌবীবা Union শিংনা লাক্লিবা তাং ১৪/১৫ নুমীৎ নিনিগী ওইবা conference পাঙথোক্লগনি। Conference অসিদা Union খুদিংমক্তগী Deligate fee Rs. 500/- মীওই অমমম্দগী লৌজগনি। তাং ১৩/০৩/২০২১ ফাওবগী মনুংদা B.M.S কী Office তা Deligate কী মিং অমসুং পৈশা য়ৌহনবীরক্লবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবী : **L. Sanatombi Devi**
General Secretary, B.M.S.
Manipur State

HL-P/9275/12

ꯃꯥꯡ / VEHICLE LOST

I have lost my vehicle Honda Activa 6G of Red Colour, bearing Registration no. Nil (Reg. No. under process) Engine no. JF91EW0057775 and Chassis no. ME4JF913BLW057812 in the name of Khangembam Tombi Singh of Kumbi Ward No. 2, Bishnupur District. The vehicle was parked under lock at the opposite side of Radhamanbi Facility Clinic located at Kwakeithel Thiyam Leikai and it was found stolen by unknown persons on 15th Feb., 2021. If anybody found it please inform the same to the undersigned.

Sd/- **Sagolsem Sunil Singh**
Sagolband Tera Sapam Leirak,
8837232549

HL-P/9285/12

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS

HOPE FOR FUTURE

Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2

APOLLO ACADEMY

Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

Exam. Idea Revision Course for XII Sc. H.S.E. -2021

Class Starts :15th March, 2021, Time: 5:15 A.M. to 9:00 A.M.

Facilities :
✓ Suggested Qs. & Answers
✓ Solved previous year questions
✓ Provided Study Materials
✓ Mega Mock Test

Phy., Chem., Bio, Maths (COHSEM, CBSE)
M.M., Eng. (COHSEM)

✓ Lodging for Boys & Girls :

Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.

For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6795/11-17

Government of Manipur
Department of Agriculture, Manipur

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal 11nd March, 2021

No.AGM-1/526/SMAM/2019-20:- Distribution of Agricultural Machinery / Equipment under "Sub-mission on Agricultural Mechanization (SMAM) will be held at 11.00 am of **City Convention Centre** at Konungmamang, Imphal East on 13th March, 2021. Selected beneficiary are requested to attend the function in time.

Selected beneficiaries are requested to report to the concerned Dealers for delivery of the Machinery / Equipment on the day of Distribution Programme.

Sd/- **I. Akendro Singh**
Nodal Officer, SMAM

HL-P/9278/12